**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০৫-২০২৪, শগোলশেন)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) থৌবাল জিলাগী কৈবুংদা মীওই অমা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ১০ ঙরাং পুলিসনা ফাগৎলে। চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিং ফান্নবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

২) মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক ৩ গী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুরদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা রাজ্য পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমগী চীংনবা মফমশিংদা ওপরেসন চথবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসননচিংবা পাকশন্না চথরি। থৌবাল জিলাগী ফৌওইবিদা ওপরেসন চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এম.এ-থ্রি, এম.কে.-টু , এসোল্ট রাইফল অমা, আর.পি.জি সেল অমা, ঐতিৱান এম.এম মোতার সেল অনি, দিতোনেতর অহুম, হেন্দ গ্রেনেট অহুম, টিয়র গ্যাস সেল মরি, বোম অমা অমদি নোংমৈ মরু কয়া মরুম য়াওরি।

মরক অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী মীওই অমা আইননা য়াদবা খুৎশু খুৎলায় পুরস্বগীদমক লম্ফেল সনা কৈথেলদগী ফাগৎখি। মঙোন্দগী মরু অহুম য়াওবা পিস্তোল অমসু ফাগৎলে। পুসিলকী কাংবুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মাইবম চীংমাংদগী মীওই অহুম হেরোইন পাউদর পুরস্বদগী ফারে।

২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফি মনিপুরনা লৌরকপদা মনিপুর পুলিসনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। পনবা য়াই মনিপুরগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিদা মনিপুর পুলিসকী শান্নরোই অহুম - ঙাঙোম বালা দেবী, ও.বেমবেম দেবী অমদি এল. রোনিবাল চনু য়াওরি।

থৌবাল জিলাগী লিলোং নুংগৈদা মীওই অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা লিলোংদগী ফারগা নুমিৎ অদুগী অহিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা শীনা পুখৎলকখিবা জিলা অসিগী কৈবুং মথক লৈকায়দগী মীওই অমগী মীশিগা মরী লৈননা লিলোং পুলিসনা মীওই ১০ ফারে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ফারবা মীওই ১০ অদুগী মনুংদা নুপী অনি য়াওরি। হৌজিকসু মখা তানা অতোপ্পা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা হোৎনরি। নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই অমা ঙরাং পুলিসনা ফারে। মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে। অমরোমদাা, শীরবা মীওই অদুগী অশিবা হকচাং পোস্ত মোতেম তৌনবগদীমক জেনিমসকী মোক্তা থমখ্রে।

**ফুটবোলঃ** মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪ লৌরে। নোংচুপ বেঙ্গলগী কিস্বর ভারতি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মমাংদা চেম্পীয়ন কয়ারক ওইখ্রবা মনিপুরনা মমাংগী রন্নরস অপ হারিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচকী ৬৭ শুবা মিনিত্তা ঙাঙোম বালা দেবীনা অমা অদুগা অনিশুবা পাঞ্জল অদুনা নোংমৈকাপম সিবানি দেবীনা শান্নবগী মিনিত ৮৩ চৎপদা চনখিবনি। ট্রোফি অদু লৌবগা লোয়ননা মনিপুরনা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোলগী চেম্পীয়ন ওইবা ২২ রক শুরে। চেম্পীয়নসিপ অসিদা গোল ১৮ চনখিবি মনিপুর টিমগী কেপ্তেন ঙাঙোম বালানা প্লেয়র ওফদা টুরনামেন্ত তারে। চেম্পীয়নসিপ অসিদা গোল ১৮-১৮ চনখিবা মনিপুরগী ঙাঙোম বালা অমসুং রেলৱেজকী য়ুমাম কমলা দেবীবু গোল্ডন বুট পিদুনা ইকায় খুমখি। টুরনামেন্ত অসিদা মনিপ্রগী মেনেজর বেমবেমনা খ্বাইদগী ফবা মেনেজর ওইরে।

মনিপুরনা চেম্পীয়নসিপ অসি লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শান্নরোইশিংগী হোৎনজমন অদুনা মনিপুর মীয়ামগী থম্মোইদা মায়পাকপগী অমসুং শান্না খোৎনবগী লমদা চাউথোকচাবা পোকহল্লে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ এফ.সি , শিংজমৈ অমসুং পান্থোইবি এফ.সি লংথাবাল, শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথুরিবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোকর টুরনামন্তেকী সেমি ফাইনেল চংলে । ঙরাং শান্নখিবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচশিংদা শিংজমৈ এফ.সি শিংজমৈনা তৈদা এফ.সি তৌবুলবু পাঞ্জল ৩-১ দা অদুগা পান্থোইবি এফ.সি লংথাবালনা জি-ফাইব হৈরোকপু তাইব্রেক্তা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অহুমশুবা অমসুং মরি শুবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচশিং ঙসি শান্নগনি।

**এ.আর(এল)ঃ** ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস সাউথকী মখাদা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা উখ্রুল জিলাগী তৌশেমদা সেক্যুরিতি মিট অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে । মদুদা ভিলেজ হেদমেনশিং অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিসশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। সেক্যুরিতি মিট অদু অসাম রাইফলসকা মীয়ামগাগী মরক্তা অফবা মরী থমনবা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**ইলেক্সনঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা , ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহারাস্ত্রাগী দিন্দোরিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা এন.দি.এ সরকারনা লৈবাক অসিগীদমক তৌখিবা থবক কয়া মীয়ামা খঙলে। লৈবাক অসিবু বিক্সিদ ভারত ওইন্নবগীদমক মীয়ামা সরকার অসিদা মখা তানা থাজবা থন্বীনবা আপিল তৌরি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু ঙরাং ওরিষাগী কতক্তা পাঙথোকপা মীখলগী রোদ সো অমদা শরুক য়াখি। ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মনা হায়-ইনফোর্মেন্ত দাইরেক্তোরেট অমসুং সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেস্তিগেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লোক সভা মীখল অসিদা এন.দি.এনা সিট ৪০০ দগী তাদনা ফংবা তঙাই ফদে।

অমরোমদা, আম আদ্মী পার্তিগী লুচিংবা অমসুং দেল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী চান্দনি চোক্তা মহাক্কী দলগী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি। মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রোদ সো অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কেজ্রিৱালনা হায়- মহাকপু জেলদা ফাজিন্দুনা থমলুরিবা অদু করি মরালগীনো, মহৈরোইশিংদা অফবা শিক্ষা অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা লেমা মৈ ফংহন্নবা হোৎনখিবা অদু মহাক্কী মরাললা হায়না হংখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু মহাক্কী দলগী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মীখলগী রেল্লি অমসুং রোদ সো কয়াদা শরুক য়াখি। রাহুল গান্ধিনা ওরিষাগী বোলানগিরদা পাঙথোকপা বাইক রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি।

**কম্মীসনঃ** অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিবু মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা ইরাং লাকশিনবা ঙমখিদবগী মরম করিগীনো হায়না ইলেক্সন কম্মীসননা কৌখৎতুনা মচিন হংখ্রে। অন্দ্র প্রদেশতা মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা হিংশাদা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিদা অশিগুন্বা হিংশা অসি হিরম অমত্তদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা পাউতাক পীখি। কম্মীসননা হায়- গনতন্ত্রাগী থবক থৌরমদা হিংশাগী মফম লৈতে ।

**ক্রিকেট** ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটতা পঞ্জাব কিংসনা রাজস্থান রোয়েলস ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে। ঙসি হায়দ্রবাদকী রাজিব গান্ধি ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা সন রাইজরস হায়দ্রবাদকা গুজরাট টাইতান্সকা শান্নরগনি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গা লৈরে--**

**-গঙ্গা-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) থৌবাল জিলাগী কৈবুংদা মীওই অমা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ১০ ঙরাং পুলিসনা ফাগৎলে। চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিং ফান্নবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

২) মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক ৩ গী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে।

--পাউ লোইজরে--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-দ্বিজমনি**

মিলিটেন্তশিংনা থোং, টৱার থুগাইরম্বা এন.আই.এন থীগৎলগনি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদালাইন ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা অমজগী গোল্ডন জল্লি থৌরম পাঙথোক্লি , অন্দ্রদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংদা ষ্টেরোইট চাং ৱাংনা য়াওবনা চাবদা হকচাং শোকিংঙাই ওই হায়বা হোর্টিকলচরগী দিরেক্তর দেবদত্তা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মওং চদনা গাড়ি খাল্লিবশিং ফানবা আহন শেমগদৌরি, অখি অখণ্ড পীবদা চেন্নবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়বা এম.এল.এ

জয়কিষনগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী পাউচেদা ফোংলি।

ত্রিপল আই.টিনা মগুন লৈবা শিক্ষা পীবদা গভর্নরনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে হায়না মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্দন পোলো মালেমদা খুদোল তল্লকখিবা পোনিগীদমক লম একর ৩০ এলোট তৌখ্রে হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম মনিপুর নিউজকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অহলশিংবু ঙাকলৌ পীবা কাংলোন থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি, লৈঙাক্তা রেজিস্তর তৌদবা ওল্ড এজ হোমশিং থিংজিন্নবা থবক লৌখৎখ্রে হায়না সনা লৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নমেন্ত স্কুলগী মহৈরোই ৭০ দা ইন্সেন্তিব এৱার্দ পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে হায়না পাউ পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থা ১৩ তলপ ফংলক্ত্রবা ওজাশিংনা ইদুকেসন দিরেক্তোরেট শো লোনশিনখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকেলদা - মনিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখিবা মীগী মশিং লিশিং ৬৭ ওইরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস্তা -সাউথ এসিয়াদা ২০২৩ দা হিংশানা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা অপুনবা মীগী মশিংগী চাদা ৮৭ দি মনিপুরগী হিংশা অসিনা ওইরি হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা -সেন্তরদা ইন্দিয়া ব্লোক্কী সরকার লৈরগনি হায়বা

কংগ্রেস লুচিংবা সাসিন পাইলোটনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা নুপী ময়ামা ইরাং হৌরক্তুনা আই.বি মনাক্তা অসাম রাইফলসকী কেম্প শাগনি হায়রিবা অদু য়াহনখিদ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

--**দ্বিজমনি**--